# আই এমনা এ আরগী নোংমৈশিং হন্দোকখ্রে

## সেন্টরনা আইএমগী দিজিগনেটেদ কেম্প ময়াদা মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পবা খঙহল্লকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল*** *২৪ঃ* হৌখিবা এপ্রিল ১৯ দা এনএসসিএন (আইএম)গী হেব্রোন কেম্প তম্না সিজ ফায়র গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীদনা নম্ফুদ্দা চংশিল্লকই হায়না এনএসসিএন (আইএম)না ২৯ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ৫ দগী ফাজিনহৌখিবা নোংমৈ অমসুং মরুশিং ঙসি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সন মতুংইন্না আইএম না অসাম রাইফলসনা হন্দোকখিবদগী নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা নাকল অনিনা মুক্নরকখিবদু লোয়শিনখ্রে। লোয়ননা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অসাম রাইফলসতা মখোয়না এনএসসিএন (আইএম)গী দিজিগনেটেদ কেম্পগী ময়া নক্না মিলিটরি ওপরেসন চত্থরিবদু খুদক্তগী তোক্নবা খঙহল্লকপদগী এআরনা কেম্পশিং অদুদগী হন্দোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ রোম তারকপদা দিমাপুরদগী চিদাই ওইনা লৈবা মোংলুখ ভিলেজগী মীয়াম তিনবা কম্যুনিটি হোল অমদা এনএসসিএন (আইএম) না অসাম রাইফলসতগী ফাজিনহৌখিবা একে ৪৭ রাইফল ৪, ইন্সার্স রাইফল ১, নোংমৈ মরুশিং, ৱায়ারলেস সেট ২, বুলেট প্রুফ জেকেট অমসুং হেদমের্টশিং ২৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কমান্দেন্ট কর্নেল রাকেশ ভরদ্বাজ অমসুং কেম্প কমান্দর মেজর সুকন্তা অনিদা শিন্নরকখিবনি। এনএসসিএন (আইএম)গী সিজ ফায়র মোনিটরিং সেলগী ওফিসিয়েটিং কনভেনর বিকিয়ে সুমিনা হায়খিবদা সেন্টরনা নাগা এরিয়াদা চত্থরিবা মিলিটরি ওপরেসন অদু চত্থবা লেপ্পবা খঙহনখ্রবা মতুং অমদি পিছকী ইন্টরেষ্টতা অসাম রাইফলসতগী ফাজিনহৌবা খুৎলায়শিং অদু শিন্নখিবনি। থৌদৌ অদু অসাম রাইফলসনা এনএসসিএন (আইএম)গী কার্দ হোল্ডর মরিদগী খুৎলায় মায় ফাজিনখিবগী তেন্সন লৈনরিঙৈদা ২৯ শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান মঙানা ত্রক এমএন-৭৪৩০ দা এনএসসিএন (আইএম)গী হেব্রোন কেম্প তম্না তাং ১৯গী অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা সিজ ফায়র গ্রাউন্দ রুল থুগায়রগা চংশিল্লকপদগী কেম্প য়ৌগদবা মিটর ২০লোমদমক ঙায়রবা কান্দা আইএম না ওভর পৱার তৌদুনা অসাম রাইফলসকী জৱানশিং অদুদগী খুৎলায়শিং অদু লৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা আইএম না অসাম রাইফলসকী খুৎলায় হন্দোকখিবদগী সিজ ফয়ার এক্সটেন্সন য়ৌদবা ষ্টেট অসিদা আই-এমনা মখোয়গী ওপরেট কেম্প ওইনা শাজিল্লিবা তমেংলোংগী *এ পি বট্টালিয়ন* (১০-দোগ্রানা কোইশিনবা), চান্দেলগী *এ সি বট্টালিয়ন* (৪২-এ আরনা কোইশিনবা) সেনাপতিগী *হুগ্রোং বৃগেড* (৪৩-এ আরনা কোইশিনবা) অমদি উখ্রুল *কিশিমুং বট্টালিয়ন* (১৭- এ আরনা কোইশিনবা) অদুদগী ঙসি নুংথিলদগী লান্মীশিং মপুং ফানা হন্দোক্লরকখিবগা লোয়ননা আই-এমশিং মণিপুরদসু মনিং তম্না ওপরেট তৌবা ফংখ্রে হায়রি।